ৱারেং

মণিপুরী সাহিত্যদা ইরাবতকী অনৌবা য়াওল খোঙচৎ

সোটিনকুমার

অওনবা সমাজ অমগীদমক থৌনা লৈনা চোংথোরকখিবা জননেতা ইরাবতনা মণিপুরী সাহিত্যগী পূক্কেদা তোপতোপ্পা খূৎইদা মখল–মথেলগী ৱারেং শৈরেং কয়া দান তৌবিখি। তশেংনমকসু অনৌবা যুগ অমগীদমক খূৎ থাখিবা অহানবা মীশক হায়রগদি হিজম ইরাবতনি। তরামঙাশুবা চহীচাগী মতমদগী মণিপুরী খুনাইদা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী ইথিলদগী নাৎ, ধর্ম্ম অমদি মীয়ামগী পুন্সি মহিংগী ঈচেল থৈদোরকখি, লৈবাকসিগী লৈজরম্বা মমল নাইদ্রবা সাহিত্যগী পূক্কে চাউনা অমাঙ–অতা থোকখি, শক্তম কায়থরকখি। অদুবু কুনশুবা চহীচা হৌগৎলকপদা মণিপুরী সাহিত্যগী মশক নৌহৌনা অমুক য়াকায়হল্লকখি। লৈবাকসিগী অমদি মালেমগী ওইনা রাজনীতি, শেম্মীৎলোন অমসুং সমাজিক্কী লমদা অহোংবা লাকখি। নোংচুপকী শিক্ষা লমদমসিদা ফংলকখিবা, মমালোনগীদমক থোক্লরকখিবা, শৈশক্লরকখিবা মীরমদমগী অফাওবা অইবা কয়া মশক খঙনরকখিবা কয়া অসিনা মণিপুরগী খুনাইগী অওনবা শক্তম অমগীদমক শৈরাংখিবা কবিনি, অইবনি। মহাক্তি মায়থোঙ য়াম্না লোঙবা, গুণ কয়াগী তূংনফম ওইবা মীশক্লি। মহাক কবি, অইবা, জর্নেলিস্ত, থিয়েতর অমসুং পূং–ঈশৈগী কলাকার, শান্নরোয়, সমাজ সেবক, ওজা, মীয়ামগী লুচিংবা, নীংতম লাম্মী, বিপ্লবী শন্না হায়রবদা মীয়ান্না মিংথোল কয়া পীবিদুনা ইকাইখুন্নরিবা মীয়ামগী লুচিংবনি। নোংপোক বঙ্গ, সুর্মা ভেলী, কছার কৃষক সভানা ‘জননেতা’ মিংথোল অমদি বঙ্গকবি হেমাঙ্গ বিশ্বাসনা ‘সিমান্ত্র প্রহরী’ হায়না ইকাইখুন্নবিখি। মমারোল অমদি মণিপুরী সাহিত্যবু হকচীন্না নুংশিজবা ঈনোৎনা থুমহৎখিবা ইরাবতনা সাহিত্যগী লমদা পাঙথোকখিবা থবকশিং খরদং পল্লবদা–
১. মণিপুরী লোলগী মফম কন্নবা ইহৌ, ২. ৱারেং সাহিত্য, ৩. জর্নেলিজম, ৪. শৈরেং, ৫. অনুবাদ অমসুং ৬. ঈশৈনচিংবনি।

মণিপুরী লোল চাওখৎনবা ঈহৌদা মহাক্লা হোৎনরম্বাঃ ইং ১৯২২ দা মণিপুরীদা অহানবা চেফোঙ ‘মৈতৈ চনু’ ইরাবতনা পুথোকখি। ইং ১৯৩৪ দা মহাক্লা মরুওইবা থৌদাং লৌদুনা নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভা লিংখৎখি, মহাসভাগী অহানবা মীফম্না তাখিবা ৱারেপশিং মৈতৈরোলন্দা ইদুনা আসাম, বাংলাদেশ, ব্রহ্মদেশকী সরকারশিংদা পীশিন্নবা ৱারেপ পূখৎখি। ইং ১৯৩৭ তা মন্দলেদা ফমখিবা মহাসভাগী অহুমশুবা মীফমদা ইরাবতনা ফোঙদোকখি ‘‘ঐখোয়গী জাতিগী লোল, ঐখোয়না পোকপদগী ইমাগী তম্পাক্তা তারকপদা ইমা হায়বদগী হৌদুনা লোল্লক্লবা নুংশিরবা লোল অসিবু নীংথিনা কনবা ঙমদ্রবদি ঐখোয়গী জাতি অসি মাঙখ্রগনি হায়বদা চিংনবা লৈররোই।’’ ৱাফ মঅসিদগী ঐখোয়না তশেংনা খঙলে মদুদি লোল হায়বসি জাতি অমগী মশক তাকপদা মরু ওইনা পাম্বৈ ওইরি। জাতিদু হিংহনবদা লোলগী অচৌবা দায়ত্ব লৈ হায়বসিদা ইরাবতনা লোল চাওখৎনবা ঈহৌ শাগৎখি। ইং ১৯৪৩ –৪৬, ইরাবতনা কছারদা লৈরিঙৈদা মণিপুরী খূদিংমক ইমারোলনা লাইরিক তমগদবনি হায়বা অকনবা ঈহৌ চৎথখি। লোল অমদি সাহিত্য মপুং ফানা চাওখৎহনবা হায়বসি মীয়াম পুনশিন্নরগা থবক পাঙথোক্কদবনি হায়বসিদা থাজবা থমদুনা মহাক্লা মণিপুরী সাহিত্য সম্মেলনি (মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ) ইং ১৯৩৫ লিংখৎখি অদুগা ইং ১৯৩৭–৩৮ তা জেনেরেল সেক্রেতরী ওইখি।

মণিপুরী ৱারেং সাহিত্যদা ইরাবতনা খূৎ থারম্বা।ঃ ইং ১৯৩৩ ওক্তোবরদা ইরাবতনা ‘লোকমান্য তিলক’ কী পুন্সি ৱারী ইখি। ললিতা মঞ্জুরি পত্রিকাগী অনীশুবা চেফোঙদা ৱারেং ওইনা হাপ্পা হৌরকখি, লাইরিক ওইনা চূড়াচান্দ প্রিন্তিং ৱার্কসনা ফোঙখি। ‘দলিল অমসুং দরখাস্ত ইবা’ ইং ১৯৩৩ দা, ‘মন্দলেগী খোঙফম’ ইং ১৯৩৭ তা অমদি ‘হৌজিক তৌগদবা করিনো?’ ‘কেপিটেলিজম’ নচিংবা ইদুনা মণিপুরী সাহিত্যগী পূক্কে ওইনা খূদোল তৌখি। ঙল্লিঙৈ মতমদা য়াকায়রোল চেফোঙগী ১১ শুবা মশীং, ইং ১৯৩১ দা ‘জয়মতি’ হায়না মমিং থোনবা দ্রামা অমা ইবা হৌরক্লগা লোইশিনবা ঙমখিদ্রে।

জর্নেলিজমগী লমদা ইরাবতনা লৌরম্বা থৌদাংঃ ইরাবতনা ‘মৈতৈ চনু’ খূৎই চেফোঙ ইং ১৯২২ দা পুথোকখি। মসি মণিপুরগী অহানবা চেফোঙনি। লোয়ননা ঙল্লিঙৈ মতমদা থোক্লকখিবা চেফোঙশিং, য়াকায়রোল, ললিত মঞ্জরি পাত্রিকানচিংবা মতম কুইনা হিংহনবদা ইরাবতনা লৌখিবা থৌদাং য়াম্না চাউখি। ইং ১৯৪৭, এপ্রিল ১৩ দা ‘অনৌবা যুগ’ হায়না মিংথোনবা চেফোঙ মশামক্লা সম্পাদক ওইদুনা পুথোকখি। মণিপুর জাতীগী মীচম মীয়াম্বু বৃতিশ ইম্পরিয়েলিস্তকী কোলোনিয়েল রুল লোয়ননা নিংথৌ লৈঙাক্লা তুহৎ–নৈহৎপিবা লীচৎকী পাউজেল পীখিবা ‘অনৌবা যুগ’ অমনা খুনাই অসিবু মহুৎ শিনজিন্নবগী শেমগৎখিবা পাম্বৈ অমনি। চীং–তম থুগাইনবা শীনবা বৃতিশ লৈঙাক্লোনগী চৎন–পথাপ, মালেমগী ওইনা চঙশিল্লকখিবা য়াওল ঈহৌ, ফেসিস্তকী তমথীরবা হীংচা য়াইতম্বগী লীচৎ পূন্নমক অসি জর্নেলগী খূৎথাঙদা মীচম মীয়ামদা ইদুনা পাউদমখি। লমদমসিগী তোল্ল–তারবা মীয়াম্বু য়াকায়হনখি।

মণিপুরী শৈরেং সাহিত্যগী চেন্থরক্লিবা ঈচেলদা ইরাবতকী শৈরেংগী অনৌবা য়াওল, মণিপুরী শৈরেং সাহিত্যগী পূক্কে চোন্নবা অমসুং অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা ইরাবতনা শৈরেং কয়া খূদোল তৌখি। তোল্ল–তারবা, শূ–নোম্লিবা মীওই কাঙলূপকী নীংতম্বা পুন্সি অমগীদমক লাম্থেংনবদা মথৌ শঙলবা শৈরেংনি। মমল য়াম্লবা মণিপুরী সাহিত্যগী লনগৈ ওইবতা নত্তনা মীওৎ–মীনৈ লৈত্রবা অনৌবা মণিপুরী খুনাই অমা শেমগৎপদা ইরাবতকী শৈরেংনা অচৌবা শক্লোন অমা লৌখিবা অসিমক য়াম্না শীংথানিংঙাই ওই। ইরাবতনা ইবা ‘শৈদম শৈরেং’ ইং ১৯২৯, দিসেম্বর ৪ দা ক্লাস ফাইবকী তেক্সবুক ওইনা মণিপুর ষ্টেট দরবারনা লৈখি। কোন্না লাইরিক অসি ক্লাস সভেন্দা তম্বা য়াহনখি। ‘উনা’ কৌবা শৈরেং মীওইবদা উরুম পীদুনা নুংঙাইহল্লিবা উনানা কেল্লবা মতমদা তাইবঙ মীওইবনা নুংশি হৈতনা লৈমায়দা নেৎপিববু নুংঙাইতবা ফোঙদোকই। অসুন্না ‘লাইরবদা’ তোল্ল–তারবগী অৱাবা চৈথেঙ, নূপীগী অৱাবা ফোঙদোক্লিবা ‘সীতা হুখিবদা জটায়ু’ অমদি ‘সীতা হুখিবদা রামনা তেংথাবা’ কয়াসিনা খুনাইসিদা থোক্লিবা অকনবনা অশোনববু নৈহৎপিবা, তুহৎপিবা, কয়া নাকোয়ননা পাউদন্নি।

ইরাবতনা সিলেত জেলদা ইখিবা শৈরেং লাইরিক ‘ইমাগী পূজা’ (১৯৪২–৪৩) মহাক লৈখিদ্রবা মতুং কাইনথংদা ইং ১৯৮৭ তা ফোঙখি। ইমাগী পূজা মণিপুর সাহিত্য লৈকোন্দা পূন্নৌ নৌবা মখলগী শৈরেং ওইখি। মীওইবনা হিংলিবা পুন্সিগী মরি লৈননা হিংবদা মরেক–মহাও থোক্ত্রবা অতোনবা শূ–নোম্লিবা কাঙলূপকী অরান–খুবমগী লম্বী থিবা শৈরেংদা যূম্ফম ওইনা ইরম্মী। ‘অমর রবীন্দ্রনাথ’ শৈরেংসিদা কবি রবীন্দ্রনাথনা মীওইবা খুনাইগীদমক্তা পায়খৎপিরম্লিবা থবকশিংবু শীংথাবগা লোয়ননা বিশ্বকবিনা সাহিত্যদা তম্নম্বা খূদোল অমদি সমাজিক, রাজনীতিগী মীৎয়েংদা ইরম্লিবা কয়াসি মুৎপা নাইররোই হায়না ইরাবতকী শৈরেংদা ফোঙদোকই। ইরাবতকী শৈরেং ‘মখোয়সিনি– ‘হায়বসিদা শিম্মী অমনা হিংবদা থেংনরিবা অৱাবা শক্তম মখোয়গী নীংতম্বগী আশা মীকপ থোক্লবা ফোঙদোকই। মহাক্কী ‘মখোয়সিনি–২’ হায়বা শৈরেংসিদা লৌমীগী অৱাবা পুন্সি, লৌমীনা পোৎ পুথোক্লবা হোৎনবদা লাম্থেংনরিবা অদু মচা খায়না ফোঙদোকই। ‘কারখানা’ মিংথোল্লিবা শৈরেং অসিদা শিম্মীশিংনা শিনশঙদা থবক শুবদা মীমান্নদ্রবা পুন্সি মহিং, পোৎ পুথোক্লিবা শিম্মীশিংনা কারখানগী মপু ওইবা ফংবদা মীওৎ–মীনৈ য়াওদবা অনৌবা সমাজ অমা পুরকপা ঙমগনি হায়বগী লম্বী তাক্লি। ‘শিলং’ হায়রিবা ইরাবতকী শৈরেং অসিদা নুপী ওইবগী মপোক অসি নীং–খা তম্বা ঙমজদ্রবা বণ্ডিগী পুন্সি অমগুম পোক্লকপদগী শিবা ফাওবা লেল্লিবদু ফোঙদোক্লি। কবিনা হংলি ‘‘নুপীবু থল্লিগদ্রা পোনগী উচেক্কুম ইমুংতদা? মীনায়গুম থবক পূন্নমক তৌরিগদ্রা?/শা–ষনগুম চৈজা নম্বোনরিদ্রা। কবিনা নুপী খুনাইবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনীংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লি। মহাক্কী ‘দিসেম্বর ১২’ কৌবা শৈরেংসিদা মণিপুরদা থোকখিবা ইং ১৯৩৯ গী নুপী লালগী ঈহৌ অদুগুম মণিপুর খুনাইদা চৎথরিবা কাঙলূপকী লড়াই মনুংদা অমুকসু নুপীলাল অমা থোক্লকখিগনি, মদুগীদমক শেম–শাদুনা নুপীশিংনা চেকশীন্না লৈনবগী নুপীশিংদা পীবিবা থৌনা–লিংজেলগী ৱাফোঙদোক উৎলি। মহাক্কী শৈরেং ‘নাৎসিগী ফীরাল’দা ঈ পাম্বা, ফৎত্রবা হিংচা–য়াইতম্বগী ৱাখল চেনবা ফেসিস্তকী লীচৎ নাজি জাতিনা অথোইবনি খনবা, অতৈ জাতিবুনা মখোয়গী য়েক্লবা ওইনা লৌবা অমদি মখোয়গী মখা থানা লৈগদবনি হায়বগী ৱাখল্লোন অসি নোংমদি শোয়দনা ঈরোন্নুংদা লূপথখিগনি হায়বসি মহাক্কী শৈরেংদা ফোঙদোকই। ইরাবতকী শৈরেং ‘নুংথিল অমা’ হায়বসিদা অকনবা অমসুং অশোনবা খায়বা কাঙলূপ নাইবগী ৱাখল্লোন হায়বদি শেঞ্জাও পায়বা অমসুং শিম্মী কাঙলূপকী খেন্নবা পুন্সি মহিংদু ফোঙদোক্লি।

ইরাবতকী ঈশৈঃ ‘শকউ শকউ জয় জয়’ না মীচম মীয়ামদা পাউজেল পীরি মদুদি মীওইবা খুনাইগী ইতিহাস অসিদা চৎথরিবা কাঙলূপ নাইবগী লাল অসিদা তুহৎপিরবা কাঙলূপ্না ঈহৌ অমদি লানঙম্বা হায়বসি অপূনবগী শক্তিনা ওইথোকই হায়বসিনি। মহাক্কী অতৈ ঈশৈশিং ‘চৎলো চৎসি ইচীন–ইনাওশা লৌমীগী লৈবাক শেম্লুসি’, ‘থাঙ্গোল অদু ময়া থাংঙু থৌনা হে লৌউবা’, অহীং হৌখরে হৌগৎলো লৌমী’, ‘চেকশিল্লু হায়! চেকশীল্লু হায় ফৌদো’ নচিংবা লৌমী মীকপ থোকহন্দুনা য়াওল ঈহৌ অমনা লৌমীনা পোৎ পুথোক্লিবা পাম্বৈশিংগী মপু ওইজবা ফংবা, লৌমীনা লৈঙাক্লোনগী শক্তি পায়দুনা লৌমীগী লৈবাক অমা শেন্নবগী ইথিল পীবা ঈশৈশিংনি।

ইরাবতকী ঈশৈনা মীয়ামদা পীবা ইথিলগী মরম নৈনরুরবদি মীনায় লোইবা অঙনবা মতমগী খুনাইগী লোনচৎ হৌরকপদগী অথেঙবা মতমগী শেঞ্জাও পায়বা মীওই খূজোক খরনা শূজ–নোমজদুনা হুমাং মমলনা হিংজরিবা মীচম মীয়াম্বু ওৎপিবগী খুনাই ফাওবগীদা লৈরিবা কাঙলূপকী লড়াইদা যূম্ফম ওইবা য়াওল ঈহৌদা যূম্ফম ওইবা রিভোল্যুসন্নরী ঈশৈশিং মণিপুরী সাহিত্যগী পূক্কেদা খূদোল তম্বীরম্বা মীয়াম্বু মহাক্লা ইরম্বশিংদা ময়েক শেংনা তাক্লি।

তাবুনুংদগী

(অনৌবা মণিপুরগী লময়ানবা লুচিংবা ওইবতা নত্তনা কবি অমসু ওইরিবা হিজম ইরাবতকী ‘‘ডিসেম্বর ১২’’ কৌবা শৈরেং অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)

ডিসেম্বর ১২

ঙসি অহিং লেপ্লে,
নুমিৎ অমা চৎখ্রে,
শম পুনশিল্লু দেবী
ইফা ফারিবদো।
ডিসেম্বর’ ১২ অমা হৌখ্রে,
ডিসেম্বর’ ১২ অমা লাক্লে– কাউরব্রা?
থাজব্রা শম পুনগনি হায়বা?
নিংব্রা নুমিৎ অসি লাক্কনি হায়বা?

হিজম ইরাবত

মণিপুরী পাম্হৈ –পাউরৌ, পাউতাক

৫১৭ অরানবদা লমজিং পুরেল ওইবা।
– ফত্তবা অরানবা তৌবদা মাংজিন থাবা মী।

৫১৮ অশোনবা খুৎলাইগী চাংয়েং খুমুক হৈত্রগা মশাদা হঞ্জিল্লি।
– অশোয়বা অরানবা তৌরুবা থবক্লা মশাবু অৱাবদা তাহল্লি।

৫১৯ অশাওবগীদি পূন্নমক য়েক্লবা ওই।
– শাওরবদি পূন্নমকপু য়েক্লুবা ওইনা উরকই।

৫২০ অশাওবনা মাঙনবগী মরুনি।
– শাওরবদি মাঙজবা নত্তনা করিসু লৈতে।

৫২১ অশোয়বনা অশিংবগী পরানি।
– অশোয়বা অরানবা থেংনরিমখৈ শিংবা হেনগৎপা।

৫২২ অশিংবা মীদি অতোপ্পা মীগী অশোয়বা কয়াদগী পরা তমই।
– অশোয়বা উবদগী লৌশিং হেনগৎপা।

৫২৩ অশিংবনা মাঙ তুং অনীমক্কীখল্লি, অপঙবনা হৌজিক্কীদা খল্লি, তুংগী খন্দে।
– মাঙ–তুং য়েংনা চৎলবদি তুং কোইনা নুংঙাই, হৌজিক্তগী খনবদি অপঙবা ৱাখলনি।

৫২৪ অহল ওইর–ওইরগা অঙাং অসুম ওল্লকই।
–চহী য়ামদুনা অহল ওইরক্লবসিংদি বুদ্ধি চোইরকই, অঙাংদৌনা তৌরকই।

খোমজিনবা
ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন

চানক্য নিতি

* শূ নোম্বনা লাইরববু, জপনা পাপ্পু, তুমিন লৈবনা খৎনববু, কাউথোক্তবনা অকিববু মাঙহল্লি।

* ফজমনবদগী সীতানা, নাপন তৌমনবদগী রাবণনা, দান তৌমনবদগী বলিনা মাংনখি, কা হেনববু মতম পূম্বদা থাদোক্কদবনি।

* অকনবা (অঙম্বা) মীদা অরূম্বা লৈব্রা? ললোনবা মীদা অরাপ্পা লৈব্রা? মহৈ হৈবদা মীরম লৈব্রা? নুংশিনা ঙাঙবা মীদা মীতোপ লৈব্রা?

* অফবা পাম্বী অমগী নুংশিবা লৈনন্না বন অমা শীম্থুংনা নুংশিহনবগুন্না অফবা মচা অমনা শাগৈবু চিংখৎলি।

* অকংবা উপাল অমনা মৈৱায়খ্রবদি বন পূম্বা তুন্না চাকহনবগুন্না ফত্তবা মচা অমনা শাগৈবু লোইনা চিংথৈ।

* মহৈ হৈবা অমসুং ধর্ম্ম লৈবা অফবা মচা অমা খক্তনা শাগৈ অমবু নুংঙাইহল্লি মদুদি থানা অহিংদা ওইবগুম।

* অৱা অনা পীবা মচা ময়ান্না করি কান্ননি, শাগৈবু য়োকপা, থাঙ্গৎপা মচা অমখক্তনা হেল্লি।

* চহি মঙা ফাওবদি লুনা তৌগনি, মথং চহি তরাদিৱারক ৱাতেমগনি, চহি তারাতরুক শুরবা মচাদি মরূপকুন্না লোয়নৌ।

হন্দোকপাঃ
ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা

মণিপুরি পাখোং

৬১. ৱারক তেক্তর–
৬২. হোরফুন হোরফুন–
৬৩. হুরুরু কাতি–
৬৪. হনুবী জোনজোন–
৬৫. য়েনখা পোলাং–

পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমাই অসিদা ফোঙদোকচগনি

মমাঙ নোংমাইজিংগী (২৪–৯–২০১৭) পাউখোঙ ফোঙবা

২৬. ঙমহায়
২৭. নাওশেক
২৮. খোং হামনিংবা (থী ফাইনীংবা)
২৯. কৈ
৩০. ৱাক

কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **অঙাংদা অঙ্গুর পীজবিগে হায়রবদি?**
– চউম্বিবা কুইদ্রিবা অঙাংদা অঙ্গুর পীজবসি য়াম্না ফৈ অমসুং কান্নে হায়না লৌনৈ। অদুবু পীক্লিবা অঙাংদা অঙ্গুর পীজবিগে হায়রবদি মকু খোক্তোক্লগা পীজবিয়ু। অঙ্গুর মকু লায়না খোঙ্গোকপিনবগীদমক্তা অঙ্গুরদু অশৌবা ঈশিংদা হাইফেত্তং লূপশীনবিরুরগা খোকপীয়ু। মতুং অহানবদা থুম চামচ অমখক হাপচীন্দুনা ঙৌবিয়ু, অদুগা থুম অদু লৌথোকপিরগা ঙৌবিগদৌরিবা পোৎশক অদু ঙৌবীয়ু। করিমত্তা নপশীল্লরোই।

* **অচম্বা পাত্র (কোন)দা চানবা মথেল ঙৌবদা করিমত্তা নপশীলহল্লোই হায়রবদি?**
– পাত্র অদু মৈথক্তা থাঙ্গৎপিরগা শাহল্লবা

* **অমুবা (কাশিন্দুনা) কোর্ফু– কোর্ফানবু লায়না ফেঙদোকপিগে হায়রবদি?**
– কাশিন্দুনা মুশিল্লবা কোর্ফু–কোর্ফানবু লায়না অমসুং শেংনা ফেঙদোকপিগে হায়রবদি এলুমিনিয়ম মচেৎনা তকপিয়ু, মদুগীদমক–গ্যাস সিলিন্দর অমদি অতৈ বোটলনচিংবশিংদা মখূম ওইনা য়াওরকপা এলুমিনিয়মশিংবু লেম্না হুন্দোকপিখিগনু।

(খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশিং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক ‘‘কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু’’ দগী লৌথোকপা)

ইরাবতকী শৈরেং খরা

থম্বাল

শিঙেল্লক্তা অথোইবী
লৈরাংলক্তা অহেনবী
শাৎকায়রে লৈনুংশি থম্বাল নীংথিজনা।

চীংয়া তময়া ঙাল্লে
পাৎ অপূম্বা নীংথিরে
মায়কৈ মরি থনখরে লৈনমতনা।

ইশং শংবা থন্নালক্তা
শংবানবা লাইজথক্তা
নুংশিৎনা হুম্বদা হরাও’ জগোই শারে।
উজবদা নীংথিবদু
খোয়রাঙলে খোইমু
কোয়পাই পাইদুনা ঙ্রুং ঙ্রুং ঙংলরে।

খোইমু খোঞ্জেল তাবদা
ফল্লে থম্বাল মকা
থোইনা হরাওনা শারক্লে জগোই।

করম্বা জগোই শাবীনা
ঙমগদগে শাবা
অসুক নীংথিবা জগোই মশা অসি।

হা থম্বাল! পাম্মুইদা
নঙগী নশক নীংথিবা
মাঙখিগদবা মতম লাক্লগা।

ৱারুগনু লৈনুংশি
সংসারগী হৌনবীনি
সংসারসি ফংলগদবনি নঙগী দশা।

উনা

তাইবং মীৎ পেল্লম্বা ইশং শংনা,
পামেলগী লৈতেং ওইরম্বা নীংথিবা,
হে উনা! পুন্সি কেম্লমাল্লে,
উফুল্লক্তা তাইবং খোঙগাওনরেদা।

নফম লেঙদ্রিঙৈ নপাল ফরিঙৈ,
মালেম নুংশা মৈনা চাক্লিঙৈ,
শাইদাংলম্বা ঙাক্লি নহাক্কী,
তৌবিমল লমন শিংলরে নেৎপনা।

বন্দিগী পুন্সি

ৱাত্তবা ঙাকনা নুংঙাইবা নত্তে,
শেৎপা ঙাকতনা ফজবা কৌদে।
পিজবদনা পেন্নবা নত্তে
বন্দিগী পুন্সি নুঙাইবা লৈতে।
মনিংতম্বা পাম্বা জগৎকী জীবনা
মীখা পোল্লবদা ৱাদবা ঙমদে।
পোকপদগীনা শীবা তানবদা
মীখাদা পোল্লবী নিঙোলগী মপোকনা,
অমুক্কা পর্দ্দাগী মরুমদা লোত্তুনা,
নুরাগী পুন্সিদি ৱানা লেনখ্রেদা।
পিশকপিকভৈদগী পুংককপা ফাওবা
পম্থৌগী মরুম থুপ্পুনা হিংলে,
মথোন কারকপগী নুঙাইবা কালদা,
চৎনবী ওইনা পর্দ্দাদা থমলে।
থংলেন নংগী ৱাখল তৌরুবদা
কবিগী কলমদি পন্দুনা লৈরে।
নরৈপাক্কী ঙমখৈ অকোইবনা
নুরা নহাক্কীদি পৃথিবী ওইরে,
নয়ুমগী ফকলাং শুংদাই মরিনা
লাইবক থিবী নংগী নরৈপাক খমলে।

তোকঙা

অসিৱাইদা নুপী অমা কপহল্লমই,
লংফৈদা হিংলিবা মচা হাৎতোকই।
অসিৱাইদা ময়াম অমা নোকহল্লি–
ওইদবা মী অমা ফম থিন্দোকই।
মচি অমদা খমথেংনা কিহল্লি,
অশিবা অমা হিয়াং’ থৌবা ওইহল্লি।
পোকপনা মকোকখিত্তং তোংবা
থোকপনা পোকলে ব্রহ্মা অমা।
মশা চাদনা মতু চিনহল্লি,
মাইকৈ মরী ৱা ৱা শরা শল্লি।
অসিনি অদুনি লৈতে অরেপ্পা মুর্ত্তি–
চিম্থিবগী চিম্বানদা ইংখোনবী।
লান্দ লাল্লবসু দোষ থিবিদে
চেক্তা চেকশিল্লগসু শ্বাই, লৈতে।
মানা য়ৌদবা মফমসু লৈতে–
য়ৌরোই হাইনিংঙাইসু লৈতে।
চিল্লবা কারাগার মনুংদসু অদুমঙাই
কল্লবা শাসনগী পনুংদসু অহ্মানি।

মৈতৈ লৈমা

মচা চানবী মৈতৈ লৈমা!
অৱা নুংঙাই, পাপ পুন্যদা
নচাশিংবু মী ওইহনবীয়ু
তম্পাক্তা কোন্দুনা থম্বিরনু।
চৎখিসনু চৎনিং চৎনিংবদা
থিরুসনু মা‘ মানা পাম্বা।
য়োকপীরে মপাঙ্গল চাওনবা
থেংনরুসনু অৱা নুংঙাইবগা।
মচা লক্ষা মঙাগী মমা,
মচা চানবী মৈতৈ লৈমা!
থম্বীরনু নচাশিংবু মৈতৈ ওইনা
মিরক তিলহনবীয়ু থাদোক্তুনা।

চুম

মনুং মপান খায়বা
লৈ–ই চেকপন অমা–
শরৎকী ফিঙৌ থাবন্দা
য়েংলি মায়োক্লনা মুন্না,
বর্ষাগী থাসি অহিংদা
লেপ্লি মমিৎ উইদুনা।
জিজ্ঘ ছাতিন মখাদা
শুনু ফিঙৌ শুপ্পুনা
হিপ্লি দলাল অমা
মমিৎ তরা পাংদুনা।
চিক্লবা ঐগী কানা
ধ্যান তৌরি তুমিন্না।
চুমদবা চুম অমা
চেল্লি ছাতিন মশাদা,
থবাক ফক্লাংদা নপ্লগা
মখৌ পোংলপ ফন্না
মরৈ কোল্লপ তৌনা
খোংলি ‘ঠিক’ ‘ঠিক’ হৌনা।
সংসার অসিরা ‘ঠিক’?
জগৎ অসিবুরা ‘ঠিক’
করিবুনো ‘ঠিক’ ‘ঠিক’–
নত্তবনা ওইদে ‘ঠিক’।
খনাগী লৈনা খৎখিবা
অরোইবা ৱাহৈ অদুবুরা?
অচুম্বা করিনো উদে
অরেপ্পা কদাইনো খংদে
জগৎ অসি অচুম্বরা?
সংসার অসি অরেপ্পরা?
খনাগী লৈনা খৎখিবা
অরোইবা ৱাহৈ ‘প্রাক্তন’ লা?